# ইন্দিয়ন ম্যুজিক # ৮




রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

**ক্লাসিকেল পেরদকী** হোংলকপগী য়াওলগী মতুং ইন্না রাগশিংগী কাঙলুপকী ওইবা ঈশৈ মখলশিংনা ক্লাসিকেল এজগী ম্যুজিক্কী মমা-মপা হায়বদু ইন্দিয়ান ম্যুজিক্তা ওইরকখি। মসিগা লোয়ন-লোয়ননা লৌকিকা (দেসি) নোটশিংগী অহৌবা নোট তরেৎ হায়বদি সরজ, রিসভ, গন্ধারনচিংবা পুথোকখি। হায়রিবা নোট তরেৎ অসিনা অমুক ঈশৈদা চঙবা শকওং তরা হায়বদি Sonant (vadi or amsa), Consonant (sambadi), Assonant (anubadi), Melodic Movements or Varnas, Spanning of Therscale Murchana অসিনচিংবা অহৌবগী নোটশিং হায়বদি (graha) অমদি অরোইবগী নোটশিং (nyasa) শেল্লম্মী। রাগগী জাতিশিং হায়বদি কাঙলুপশিং অসিগী ঈশৈশিং অসি তাবদা খোয়থুম্নবা (Melody) ওইবা মচৎশিং ওইরম্মী। হায়রিবা ৱাফম অসিমক ফিফ-সেভেন্ট সেঞ্চুরিগী অফাওবা Musicologist Matanga নসু ফোঙদোকপীরম্মী। অসুম্না জাতি রাগ (রাগশিংগী কাঙলুপ) অসিনা গ্রামরাগশিং অমদি রাগশিংগী ঈশৈশিং শকপগী য়াওল ওইরকখি।

জাতি হায়রিবা মখলগী খোয়থুম্নরবা (Melody) ঈশৈ মখলসি মথায় থায়নগী মতমদা সরজ (সা), Gandhar (গা) অমসুং Madhyam (মা) গী নোটশিংনা অৱাংবদা অমুক কাখৎ অদুগা অনেম্বদা অমুক কুমথদুনা য়াম্না ফজরবা মখলগী ঈশৈশিংসু শক্লম্মী। হায়রিবা ঈশৈ মখলশিং অসি মহাউ (রস) নিপান্দা শক্লম্মী। মখল মথেলশিংগী ম্যুজিক ইন্সট্রুমেন্টশিং হায়বদি lute or veena, flute or venu, কাংশিশিং অমসুং মখল মখলগী পুংশিংনা ঈশৈশিং অদুবু ফজহল্লম্মী। রমায়ানাগী মতম হায়বদি ৪০০ বি সীদদি জাতিরাগ অমসুং জাতিশিংগী ঈশৈশিংদদি মখল তরেৎকী ঈশৈশিং শক্লরম্মী। হায়রিবা মতম অসিদা শ্রীরামচন্দ্রগী মচানুপা অনী লব অমসুং কুশ অসি মখোয়গী ওজা বালমিকি মুনিনা বেদিগ অমসুং ক্লাসিকেল ম্যুজিকশিং ফজনা তম্বীদুনা শক্লম্মী। গ্রামরাগগী অনৌবা মখলগী য়াম্না নুংশিরবা ঈশৈ মখল অমসু ৪০০ দগী ২০০ বি সীগী মতমদা শাফোংলক্লম্মী। 1st century A.D. দা Naradisiksa দা অসুম্না ফোঙদোক্লি মদুদি Gramaraga শিংগী স্কেল তরেৎ অমগা অমুক অনৌবা ওইনা হাপচিল্লকই।

হায়রিবা মখল তরেৎকী মেলোদি স্কেলশিং অদুদি : Sadava, Panchama, Sadjagrama, Madhya, Magrama, Sadharita, Kaisika অমসুং Kaisika Madhyama হায়রিবশিং অসিনি। হায়রিবা স্কেল তরেৎকী শৈশক তরেৎ অসি অরিবা মতমগী Kudumiamalai Cave-Inscription, Pallava গী নিংথৌ Mahendravarman গী মতমদা Cave-Inscription দা ইবা থেংনৈ। 7th century A.D. হায়বদি Chalukya শিংগী নিংথৌশিংনা ইন্দিয়াদা পানবা হৌরকপগী মতম অদুগা Mahabharata 300 B.C. অমসুং Harivamsa 200 B.C. শিংগী মতমশিং অসিদা Gramaraga তরুক্কী শৈশকশিং থেংনরম্মী। হায়রিবা Gramaraga শিং অসি মখোয় মখোয়গী ওইবা চপ চাবা মথৌশিং Gandharagrama দা ফোঙদোক্লম্মী। মতম অদুগী অশেংবা ঈশৈশিং ক্লাসিকেল ম্যুজিকশিংসু অয়াম্বনা Brahmagitis হায়বদি Brahmhan শিংগী ওইনা শক্লম্মী। হায়রিবা মখলশিং অসিগী Brahmhan শিংগী ঈশৈশিং অদুদি Aparantaka, Ullopya, Sarovindu, Uttara, Rig, Gathe, Panik অসিনচিংবশিং অসিনি। Brahmabharata না মখোয়শিং অসিবু অমুক অনৌবা মখল অমদা পুথোক্তুনা Gandharva music কী অহানবা খুপুথোক অদু নৈনরম্মী। মসিনা তাকপদি মী তঙ্খায় লাই তঙ্খায় ওইরম্বা ইন্দিয়াগী খা নোংচুপ লমদমদা লৈরিবা Gandharva শিংগী ম্যুজিক্কী মমি অসি ইন্দিয়ন ম্যুজিক্তগী মুৎখিরোই হায়বগী ঈচেলনি। ঈচেল অসি ম্যুজিক্কী মপানথোংদা চেনবা নত্তে, মনুংদা লোন্না চেল্লিবা ঈচেল অমসু ওইরম্বা য়াই। হায়নবা লৈ মৈত্রবাক অসিদি পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়দা Gandharava গী লৈবাকনি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি করিসু খঙজদবগী ৱাখলদা Gandharva শিংগী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়গা মৈত্রবাক্কী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়গা চাংদম্নরম্বগী ইপা ইপুশিংনা Pre-history গী মতমদগী খূথাং য়ৈনা ঙাঙনবা অমা লৈরকপা থেংনবসিনদি মৈত্রবাক্কী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয় অসি Pre-historic মতমদগী য়াম্না চাওখৎলক্লে হায়বসিগী মতাংদা খুন্নাই অসিগী ইস্যু অমনি হায়না থমনীংঙি।




লোয়ন-লোয়ননা অইবগী থৱায় হকচাং কখোকচবগা মৈত্রবাক্কী পুং, ঈশৈ অমদি জগোয়গী হীরমদা মখা তারকপা মৈত্রবাক (মণিপুরগী) হীরমশিংদা ইরকপা মতমদা ঙমজবা মীওইবগী ইবা ঙম্বগী থৌনা অদু ইথোকচবা ঙম্নবা হোৎনজগে। Sangita Ratanakar হায়রিবা অনৌবা অমমমগী 13th century দা ইন্দিয়াগী য়াম্না মমিং চৎলবা Musicologist Panit Sarargadeva না ইরম্মী মদুদি Brahmagitis শিং অসি মান্নদবা জাতি নৎত্রগা Grama Raga শিংগা মান্নদবা স্কেলশিং, তালশিং অমসুং টেম্পোশিংদদা শকমিন্নরম্মী। মসিগী মান্নদবা রিদমশিং অমসুং টেম্পোশিং অসিনা হৌজিক মতমগী Layakari শিংগী মরু ইহুল হুল্লম্বা অহুম ইবসু য়াই।

Christian Era গী হৌগৎলকপদা Siksa শিংগী শৈরেং, ৱারেংনচিংবশিংগী শাফু অমনা ইন্দিয়ন ম্যুজিক্তা মমি তাবা হৌজিল্লকখি। মসিনা অমুক নৌহৌননা বেদিক্কী ওইবা চাওরাক্লা ২০০০-১০০০ বি সীগী ৱারেং, শৈরেং, ঈশৈনচিংবশিংবু নীংশিংহল্লক্লম্মী। মসিগা ইরোয়ননা Nardisiksa নসু Vaidica অমসুং Laukika music কী মতাংদা শন্দোক্লা ইরম্মী। Nardisiksa না হান্না ইখ্রবা স্কেল তরেৎকী মেলোদিক ওইরবা শৈশক শৈদাশিংদা মখা তানা ইরক্লম্মী। মসিগী মথক্তসু অমুক হেন্না লুশিল্লক্লবা মাইক্রোটোন মঙানা অমুক অওনবা অমা পুরক্লগা Gramaraga শিংগী মেলোদি ওইরবা ঈশৈ শৈশকশিংদা হেন্না লুবা মখলগী শৈশক অমগী অওনবদু থল্লম্মী। হায়রিবা মাইক্রোটোনশিং অদুগী মমিংশিংদি মখোয় মখোয়গী নুংশিবা, নুংশিদবা, নোক্লিংবা, অকিবা, অঙকপা অসিনচিংবশিংগী মতুং ইন্না Dipta (মঙাল), Glowing (অকন অথৌ), Vira মসিবু Margi গী 8 (Eight) Rasas দা অকন অথৌগী রস, Atyota থম্মোয় চাওথোকপা, Shant (অতপ্পা অমেংবা) Slackness, (ৱাহন্থোক্লা (Jugupta) নৎত্রগা Vibhatsa; Madhya হায়বসিনা ময়ায় ওইবা মসিগী ৱাহন্থোক্লা Hasya (হায়বদি নোকপা) অমসুং Karun (অতোপ্পশিংগী ৱাবিবা)/অশেংবমক্কীদি মারগীগী ভারত মুনিনা মহাক্কী Bharat Natyasystra দা ইরল্লিবা রস (Moods or Setiments) নিপাল অসিগী ফজবশিং অসি মুনি ভারতনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মাইক্রোটোনশিংদগী লৈথোরকপনি হায়রি।

অচুম্বমক্তা ফজবগী মফজা নিপান (৮) পুথোক্লবা মুনি ভারত মহাক্কী Natyasastra গী ফজবসি পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়গী ওইনদি মাইক্রোটোনশিংদা থম্মী।

মতেং লৌজখিবশিং : (১) Bernard Bosanquet : A history of Aesthetic (George Allen and Unwin London, 1949)
(২) স্বান্বী প্রগ্যানালানন্দা (৩) অইবনা হোৎনজবা

# ইন্দিয়া চিনাগী লান্দা মণিপুরনা কমদৌবা

সী সী মঙানলৈমা

**ইন্দিয়াগী** লৈঙাকপশিংনা ম্যান্মারদা চৎতুনা লৈবাক অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈ হায়রিবা মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক লমদমগী লালহৌবশিং তকথোক্লবা ৱাফম কয়া হায়দুনা লাকই। লান্মীগী লুচিংবা কয়ানসু ম্যান্মারগী লান্মী মকোকশিংগা য়ানা ৱারোল কয়া ইনদুনা ঙমখৈ লান্না চৎথোক-চৎশিন তৌদুনা অরোনবা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা অমদি খূৎলায় পায়বশিংগী মথক্তা পূন্না থেংনমিন্নবগী থৌরাং কয়া লৌখৎমিন্নবগী ৱাফম লৈরি। অদুবু ম্যান্মার লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবদি লালহৌবশিংগী মায়োক্তা থবক অমত্তা লৌখৎলকপা লৈত্রি হায়বা য়াই। এন এস সী এন (কে) অমসুং মণিপুরগী লালহৌলুপ অনীগা পুল্লগা চান্দেলগী মফম অমদা তৌখিবা এম্বুশ অমদা ইন্দিয়ন আর্মি ১৮ হাৎখিবা অদুনা ইন্দিয়াদা চাউনা ইকায়বা নংহনখিবা অদু খরতা ওইরবসু কোক্লবা ম্যান্মারগী ঙমখৈ লানশিল্লগা জুন ১০, ২০১৫ দা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক তৌদুনা লালহৌবা খরগী লোৎফমদা লান্দাখি হায়না ক্লেইম তৌরকখি। লান্দা অদুদা মখোয়না লালহৌবা কয়া হাৎলে হায়না প্রোপেগন্দা কয়া তৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন আর্মিগী য়াম্না মায় পাকপা ষ্ট্রাইক অমনি হায়না শিংথারদুনা মখোয়দা 'কাকফৈ' না চিল্লকপা নত্তনা লালহৌবা অমত্তনা খূৎ হল্লকপা ঙমখিদে হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু মদু য়াওল্লুপ আর পি এফনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ন আর্মিশিংনা বোর্দর ঙাক্লা লৈবা পি এল এগী কেম্প অমগী মনাক্তা নক্লা চঙশিল্লক্লগা নোংমৈ মরু কয়া নোংথক্তা কাপথোক্লম্লগা হনখি হায়না ক্লেইম তৌরকখি। থৌদোক অসিগী মতুংদা ম্যান্মারগী লুচিংবী ওং সান সু চিনা ইন্দিয়াদা লাকপা মতমদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অদু ম্যান্মারগী সোভরেন্টিদা শিংনবা অমনি অমসুং মদু মতুংদা অমুক হন্না তৌরোইদবনি হায়বা অকনবা ৱা হায়রম্বদগী ইন্দিয়ানা ম্যান্মারগী অনৌবা লৈঙাক্তা কা হেন্না থাজবা থল্লম্বা অদু পুংমাং মাঙখি।

ওং সান সু চিনা ইন্দিয়া অসি মহাক্কী অনীশুবা ময়ূমনি হায়না হায়খিবা অদু য়েংলগা ইন্দিয়ানা ঙমখৈ লান্না তৌবা সজিকেল ষ্ট্রাইক অদু ম্যান্মার লৈঙাক্লা খঙশিন্নদনা লৈখিগনি হায়না লৌরম্মী। অদুবু লৈবাক চাওবা পীকপগী ৱাফম নত্তনা লৈবাক অমগী মশাগী লৈজবা ইকায়খুম্নবা অমদি ঙমখৈ মনুংদা কনা অমত্তনা খূৎ থিংজিনবা য়াদবা হকশিং লৈ হায়বদু ইন্দিয়ানা শুক্নম তৌগে খল্লুবা ম্যান্মারগী অনৌবা লৈঙাক্লা য়াহনখিদে। মরম অসিদগী ইন্দিয়ানা মখল মখা কয়াগী শেল থুমগী তেংবাঙগা লোয়ননা লানগী খূৎশু খূৎলায় কয়া নৌহৌননা পীদুনা হকচিনবা মরুপ ওইবা য়ূমথংনবা লৈবাক অমা ম্যান্মারবু ওইনবা কন্না হোৎনখি। ইন্দিয়াগী লালহৌবশিংগী ৱাফম খক্তা নত্তনা মদুনা 'এক্ট ইষ্ট পোলিসি' না য়াংলেন শরু ওইদুনা চিনাগী সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা চঙশিল্লকখিবা পাঙ্গলবু থেংননবা পাম্বে ওইনসু ম্যান্মারবু শীজিন্নগদৌরি।

হৌজিক ইন্দিয়া অমসুং চিনা অনীগী মরক্তা দোক্লমগী ৱাথোক্তা মুক্নবা হেনগৎলক্লি। চিনানা মখোয়গী লমদা লম্বী শেমজবনি হায়না হায়জরবসু ভুটান্না মখোয়গী ঙমখৈ লানশিন্না লম্বী শেমজিল্লক্লিবা অসি ইন্দিয়াগী মতেং লৌরগা থিংনবা হোৎনরি। ভুটানদি মহৌশানা ইন্দিয়ানা ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌদুনা লৈবনা ইন্দিয়ানা দোক্লমগী ৱাথোক অসিগী মপু ওইগদৌরি। অদুগীসু মথক্তা মফম অদু অৱাং নোংপোক্কা মৈইনলেন্দ ইন্দিয়াগা শম্নবা অখুবা 'চিকন নেক' হায়নসু খঙনবা য়াম্না ষ্ট্রেটেজিক ওইবা মফম ওইবনা ইন্দিয়ানা মফম অদুদা অকনবা মিৎয়েং থল্লি। মরম অদুনা মুক্নবা অসি চিনা অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা থোক্লকপা য়াবা লাঞ্জাও অমা ওইরকপা য়াবগী ফীভম হৌজিক চাউনা লৈরি।

ৱাথোক অসি হৌরকপদা চিনানা ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৬২ গী লান অদুদা ফংখিবা পাড়া অদু নীংশিংনবা হায়বদা ইন্দিয়ানা হৌজিক মখোয় কুমজা ১৯৬২ গী মতমদু নৎত্রে, হৌজিক্তি কুমজা ২০১৭ নি হায়না পাউখুম পীখি। ইন্দিয়াগী ৱাফম অসি পল্লদুনা চিনানা মখোয়সু কুমজা ১৯৬২ গা য়াম্না খেন্নরে করিগুম্বা লৈবাক অনীগী মরক্তা ঙমখৈগী লান থোক্লক্লবদি ইন্দিয়ানা কৈদৌঙৈদসু চিনাগী মথক থংবা ঙস্লোই হায়না অকনবা ৱা থমখি। তশেংনমকসু ইন্দিয়া অমসুং চিনা অনীগী মরক্তা লৈনরিবা ঙমখৈ মুন্নবগী মুক্নবা অসি তশেংনা লান অমা থোক্লকপা য়াবগী ফীভম হান্নদগী হৌনা লৈরকখ্রবনি। অরুনাচল প্রদেশ অসি হৌজিক ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈজরবসু চিনানা মশক খঙদে, চিনানা মফম অসি টিবেটকী শরুক অমা ওইনা লৌদুনা লৈরি। মরম অদুনা অরুনাচল প্রদেশ নৎত্রগা সাউথ টিবেট অসি হৌজিক ইন্দিয়াগী লৈঙাক মনুংদা লৈজরবসু মদু চিনাগা লৈখায় তানদ্রিবা মফম অমা ওইরি।

হন্দক চহীগী এপ্রিল থাদা দলাই লমানা অরুনাচল প্রদেশতা লাকপা মতমদা চিনানা য়াম্না কন্না য়ানীংদবগী ৱাফম ইন্দিয়াদা ফোঙদোকখি। মতুং মে ২৬তা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী শাংবা ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা শাবা থোং (ভুপেন হজারিকা ব্রিদজ) অমা শঙ্গাখিবা অদু চিনাগা মুক্নবা মরক্তা য়াওবা য়াম্না ষ্ট্রেটেজিক ওইবা থোং অমা ওইবনা চিনানা মদুবু য়াম্না লুম্না লৌবগী ৱাফম লৈখি। কিলোমিটর ৯.১৫ শাংবা থোং অসিনা লাইন ওফ একচুএল কন্ট্রোল (এল ও সী) দা ইন্দিয়ন আর্মিশিংনা অচৌবা খূৎশু-খূৎলায় অতেনবা মতমদা পুশিনবা ঙমদুনা চিনাগী লান্মীশিংদগী হেন্না খুদোংচাহনগদৌরি হায়না পানরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চিনা ইন্দিয়া বোর্দরদা চহী ৪০ রোম অসি নোংমৈ মরু অমফাও কাপ্লরক্ত্রি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবসু চিনাগা লান অমদি অরুনাচল প্রদেশকী ৱাহৌদগী শোক্লবা য়াই হায়বসি চহী কয়াগী মমাঙদগী ময়াম্না ঙাঙনদুনা লাক্লিবনি। ইন্দিয়াগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ, জেনরেল বিপিন রৱটনা ইন্দিয়ানা চিনা, পাকিস্তান অমদি লৈবাক মনুংগী ওইনা থোক্লকপা য়াবা লান্দা মপূং ফানা থেংননবা শেম শারে হায়খিবা অদু য়েংলগা হৌজিক ইন্দিয়ানা লানগীদমক তুংশিল্লিবা খূৎশু খূৎলায় লৈ হায়না পানরিবা ন্যুক্লিয়র ৱেপন ১৫০ রোম চিনারোমদা হেন্না মায় ওনশিল্লকপা য়াবগী ফীভম লানগী মরমদা নৈনবা অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোক্লখ্রবনি।

হৌজিক লুরিবা ৱাফমদি ইন্দিয়া অমসুং চিনা অনীগী উংখৎনবা মরক্তা মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক লমদমদা ওইরকপা য়াবা ফীভমশিংনি। করিগুম্বা চিনা অমদি ইন্দিয়া অনীগী মরক্তা বোর্দরদা লান অমা থোক্লক্লবদি লমদম অসি য়াওশিল্লকপা হায়বসি শুংশোয় শোয়দ্রবনি। কুমজা নাইন্টিন সিক্সটিজগী ময়ায় ওইরকপা মতমদগী চিনাগা লান থেংননবনি হায়দুনা নৌরিবা নহারোলশিং মণিপুরগী মফম কয়াদা এস এস বিনা খূৎশু খূৎলায় শীজিন্নবা তম্বীখিবা অদুনা তাকপদি মণিপুরদসু লান অসি য়ৌশিল্লক্কনি হায়বসি ইন্দিয়ানা থাজখি। কুমজা ১৯৬২ গী লানগী মতুংদসু চিনানা অমুক হন্না লান্দারকপা য়াই হায়না সী আই এ অমসুং দি আই এ (দিফেন্স ইন্টলিজেন্স এজেন্সি) না পীবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না চিনাগী লান্মীনা চঙশিল্লকপা য়াবা লম্বী অনী হায়বদি কুনমিংদগী লেদো লম্বীদা লাক্লগা দ্রিবুগর য়ৌরকপা অদুগা অতোপ্পা লম্বী অমদনা কুনমিংদগী মন্দলে-ইম্ফাল ফাওরগা টেজপুর য়ৌরকপা লম্বী অসি থিংনবা ইন্দিয়ন আর্মি কয়া লমদম অসিগী ঙমখৈশিংদা পৈশিন্দুনা থল্লক্লি। মরম অসিদগী ইন্দিয়ানা লালহৌবশিং নমথবগী মিংদা ইন্দিয়াগী লান্মী কয়া অৱাং নোংপোক লমদমগী ঙমখৈ অয়াম্বদা চিনাবু ঙাকথোক্নবা থমদুনা লানগীদমক শেম শাহনখ্রবনি। মরম অসিননি অৱা নোংপোক লমদম অসি ইন্দিয়া চিনা অনীগী লান শোক্নফম ওইবা লানবুং অমা ওইগদৌরিবসি।

ৱাফম অসি লাকপদগীনি মণিপুরগী মীয়াম্না লৈবাক্কী ওইবা ৱাফমশিং খন্নবা মতমদা হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়া চিনা অনীগী মরক্তা থোক্লিবা মুক্নবা অসি শরুক অমা ওইনা য়াওশিনবদা য়ারক্ত্রিবসি। তশেংনা লান অসি থোক্লক্লবদি মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লানফম ওইরক্কদবনা য়ূমথংনবা লৈবাকশিংদা লাঞ্জেন্দুনা পুন্সি হিংনবা হোৎনবা হায়বসি মশানা তারকই। মরম অসিদগী মণিপুরগী ওইনদি ম্যান্মার অসি য়াম্না মরু ওইবা লৈবাক অমা ওইরকপনা ম্যান্মারগা মণিপুরগা লৈনরক্কদবা মরীনা মণিপুরগী তুংগী মরাইবক্তা করম্বা অহোংবা লাক্কদগে হায়বসি ঐখোয়না হৌজিক্তগী হৌনা য়েংশিনহৌবা মথৌ তাই। মসিনা তুংদা থোক্লকপা য়াবা তমথিরবা লানগী ফীভমশিংদগী খরতা ওইরবসু কলহৌবা ঙমগনি।

হৌজিক লান অমগীদমক শেম শানরিবা লৈবাক অনীগী খূৎশু খূৎলায় চাংদম্নবদা চিনানা ইন্দিয়াদগী য়াম্না হেন্না ফৈ হায়না লৌনৈ অদুবু লানগী এক্সপরিএন্সতদি ইন্দিয়ন আর্মিশিংনা হেন্না লৈবা ওইনা ময়াম্না উনৈ। চিনাদি কুমজা ১৯৭৯ দা ভিয়েটনামগা থেংনখিবা লান অদুনা অরোইবা লাননি, অদুগা ইন্দিয়ন আর্মিগীদি পাকিস্থানগা তোয়না বোর্দরদা লান্থেংনবদা নত্তনা লালহৌবশিংগা লেপ্পা লৈতনা ঙসি ফাওবা লান মচা কয়া থেংনরি। অদুমকপু তশেংনা অচৌবা লান অমা লৈবাক অনীগী মরক্তা শোক্লবা তারক্লবদি অচৌবা মখলগী লানগী খূৎশু খূৎলায়শিং শীজিন্নরকপা হায়বসি মশানা তাবনি। মরম অদুনা অৱাং নোংপোক লমদমগী শরুক অয়াম্বা লানগী অচৌবা খূৎশু-খূৎলায়শিংগী তম্ফম ওইরক্কদৌরি। মরক অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমগী লালহৌবশিংগী ওইবা লাঞ্জং অমা ইন্দিয়ন লান্মীশিংগী মায়োক্তা পূন্না লাল্লোং অমগী মখাদা চঙশিনমিন্নরক্কনি। মসিনা অমুক্কা হেন্না ইন্দিয়ন আর্মিশিংদা অচৌবা শাফু অমা ওইহন্দুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা লালহৌবশিং থেংনবগী মীংদা অকনবা তমথিবা চৈথেংশিং পীরক্কনি। মসিনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামগা ইন্দিয়াগা লৈনবা মরীদসু অনৌবা মায়ওন অমা হোংলকপা য়াই।

মরম অদুনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়াম মরুওইনা মণিপুরগী মীয়াম্না লান অসিদা য়াওশিন্দুনা মণিপুরগী নীংতম্বগী মপূং ওইবা লাঞ্জং অমা ওইহনবা হায়বসি ফীভম্না পীরকপা খুদোংচাবা অমা লালহৌবশিংগী ওইরকই। কুমজা ১৯৬২ গী লান্দা ইন্দিয়ন আর্মিশিংনা অৱাং নোংপোক লমদমদগী মপূং ওইবা লান্মীগী শরুক হন্দোকখিবা মতমদা মতমদুগী লালহৌবশিংনা মদুগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমহৌখিদে। অদুবু হন্দক ইন্দিয়া অমদি চিনা অনীগী মরক্তা লান থোক্লক্তুনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লানবুং ওইরক্লবদি লালহৌবশিংনা মদুগী খুদোংচাবা অদু লৌদুনা হোৎনরক্কনি অমসুং মদুনা চিনাগী লান্মীশিংদা য়াম্না চাউনা কানবা ফংদুনা চিনানা অরুনাচল প্রদেশপু পাকথোক্তুনা মখোয়গী মেপতা হাপচিনখিবদা অচৌবা মতেং ওইখিগনি। ফীভম অসি ইন্দিয়ানা হান্না খঙবনিনা অৱাং নোংপোক লমদমগী য়াওল ঈহৌশিং লোইশিনহৌনবা মতম কয়াগী মমাঙদগী অফস্পানচিংবা থমখ্রিবা লো কয়াগা লোয়ননা ইন্দিয়ন আর্মিগী অহেনবা পাঙ্গল শীজিন্নরক্লিবনি। অদুবু মসিখক্তনা য়ারক্তবদগী ইন্দিয়ানা অৱাং নোংপোক লমদমগী লালহৌবশিংগী খ্বাইদগী খুদোংচাবা মফম অমা ফংলিবা ম্যান্মারদা অকনবা মিৎয়েং থল্লকপা হৌরকখি অমসুং মসিদগী ইন্দিয়ানা ম্যান্মারবু ফীভম অমদা নৎত্রগা অমদা হেক্তা মতেং পাঙদুনা অচেৎপা মরুপ ওইবা য়ূমথংনবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবা হৌরকখি।

অদুবু ইন্দিয়া অমসুং ম্যন্মারগী ঙমখৈদা খ্বাইদগী হেন্না ম্যান্মারগা হীরম খুদিংমক্তা নকশিন্নবা অসি মণিপুরনি। ঙমখৈ হেক থংননা লৈবা মণিপুরগী ওইবা মরী তোঙান্না ম্যান্মারগা লৈনৈ অমসুং হায়রিবা পুৱারীদগী থংথদুনা লাক্লিবা মরী অসিনা ম্যান্মারগা ইন্দিয়াগা লৈনরকপা মরীদগী হেন্না লুম্মী অমসুং মসিনা লালহৌবশিংবু শোকপা ইঙম ঙমহন্দনা লৈরি। মসিদগী ওইবা য়াই ম্যান্মারনা মণিপুরগী লালহৌবশিংগী মতাংদা ইন্দিয়ানা হেক পাল্লকপদা ঈথৌ থৌশাদনা লৈরিবসি। তশেংনমকসু ইন্দিয়াগা ম্যান্মারগা লৈনবা মরীদগী মণিপুরগা ম্যান্মারগা লৈনবা মরীনা হেন্না নকশিন্নৈ অমসুং মরী অসি মতম চুপ্পদা অফবা মায়কৈদা লৈরগদবা মরীনি হায়বসি ম্যান্মারগী মীয়াম মরুওইনা অখঙ অহৈশিং অমদি লান্মীগী সেনিয়র কেদরশিংদা লৈ। অদুবু লাইবক থিবদি মণিপুরগী মীয়ামদদি ম্যান্মারগা লৈনরিবা মরী অসি য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি ম্যান্মারনা মণিপুরবু পুংথু থুগাইদুনা চহী তরেৎ খুন্তাকহনখিবা অদুগীদমক নিংদোন পোম্বা হৌজিকসু চাউনা লৈরি।

ম্যান্মারনদি মীতৈশিংনা মমাঙগী মতমদা মখোয়গী অপূনবা খুন্নাইগী শক্তম শাগৎপা অমদি য়ূমথংনবা লৈবাকশিংনা লান্দারকপা মতমদা মীতৈগী শগোল তোংবা, কেসী হোর্স হায়না খঙনবা লান্মী লিশীং কয়ানা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা লান্থেংনখিবা অদু ঙসি ফাওবা কাউবা লৈতনা ইকায়খুম্নমা লৈরি। নিংথৌ মিনদোন মিন (১৮৫২-১৮৭৯) গী মতমদা ম্যান্মার লান্মী রেজিমেন্ট ১২ লৈবদা মণিপুরগী রেজিমেন্টনা খ্বাইদগী মকোক ইথং থংনা লৈহন্দুনা অৱাংবা থাক্তা থল্লম্মী। মসিদা নত্তনা ম্যান্মারদা লৈবা মীতৈশিংনা ম্যান্মারগী কোনুংদা কোর্টকী এষ্ট্রোলোজর ওইখিবা, চফু শাবগী শিনফমদা, নূংদা শক্তম হকপদা, উ শুবদা অমদি ম্যান্মার লোন্দা 'Acheik' হায়না খঙনবা মীতৈ নুপী ফিশাবীশিংনা পুথোকপা ফিজোল মখল অমনা ঙসি ফাওবা ম্যান্মারগী নুপীশিংনা অকে-অমৌগী থৌরমদা শেত্তবা য়াদ্রবা ফিজেৎ অমা ওইনা শীজিন্নরিবা অসিনা ম্যান্মারদা মণিপুরগী কলচর কয়া য়াওশিনখিদুনা লৈবাক অনীগী মীয়ামগী মরক্তা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অমা লৈনদুনা লাকখি। হায়রিবা মরী অসিনা ইন্দিয়ানা মণিপুরগী য়াওল ঈহৌবু নমথনবা হোৎনবদা মতেং লৌগদবা ম্যান্মারগী মায়কৈদগী ফংবা ঙমদনা লৈরিবা অসি মসিদগীসু অমনি হায়বা য়াই।

মরম অদুনা মণিপুরগী মীয়াম্না হৌখিবা পুৱারীদা য়ূম্ফম ওইদুনা ম্যান্মারগী লান্মীশিংনা ঐখোয়বু উ-মোরোক থাদুনা হাৎখি, য়াইরিনা লেংদুনা পুখি হায়দুনা ম্যান্মারবু হৌজিক তাথিনা য়েংবগী মহুত্তা য়ূমথংনবা লৈবাক অনীগী মীয়ামগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী থমদুনা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা হোৎনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরুওইবা অমা ওইরক্লি। মসিনা ইন্দিয়ানা ম্যান্মারবু শীজিন্নদুনা মণিপুরগী য়াওল ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা মতেং ফংবগী মহুত্তা লালহৌবশিংনা ইন্দিয়াবু থেংনবদা ম্যান্মারগী মতেং ফংদুনা হেন্না ফীভম চাবা খোঙফম অমদা লৈহল্লক্কনি। মরম অসিদগী ওইবা য়াই কবো ভেল্লিগী ৱাফম হৌদোক্লরকপা মতমদা লালহৌবশিংনা মদু মতম চাদ্রি, মণিপুরনা নীংতম্লবা মতুংদা মালেমগী থাক্তা পুখৎতুনা ৱাখৈমিন্নগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা অমদি ম্যান্মারগা মরী লৈনরকপা হীরমশিংদা য়ারিবমখৈ লৈবাক অনীগী মীয়ামগী মরক্তা কায়হৌনবা য়াবা হীরম অমত্তা হৌজিক্কী মতমদা তৌবিদনবা ৱাফমশিং লালহৌবশিংগী মায়কৈদগী থল্লক্লিবা অসি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসিনা মাঙ থাহল্লগা ইকুই কুইদনা থোক্লকপা য়াই হায়না খন্নরিবা ইন্দিয়া চিনা অনীগী লান্দা, লানবুংগী শরুক অমা ওইরক্কদৌরিবা মণিপুরগী মীয়াম্বু অশোয় অঙাম অমদি অৱাবগী চৈথেং য়াম্না কা হেন্না ফংহন্দনবা হোৎনবদা য়ূমথংনবা ম্যান্মারগী মতেং য়াম্না তারকপনা ঐখোয়না ম্যান্মারগী মীয়াম মরুওইনা লৈঙাকপশিং অমদি লান্মীশিংগা য়াম্না নকশিন্নবা অফবা মরী অমা পুরক্লবা হোৎনবা তাই। মসিদা মণিপুরগী লৈঙাকপশিং অমদি সী এস ওশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই।

## 'লিরবা মোইরাংগী কলচর' গী মতাংদা শেংদোকচবা

হৌখিবা তাং ২৯-৮-২০১৭ কী পাউচে অসিদা য়াওখিবা *'লিরবা মোইরাংগী কলচর'* গী মতাংদা শেংদোকচবা ৱাফম খরা মখাদা থমজরি-

**১) লৌথোক্কদবশিং :** (ক) জগোয়দা 'লাই থিঞ্জিনবা, লৌয়ান/পাময়ান অমদি তাংখু জগোয়শিং (খ) শুমাং লীলা, বেন্দ পার্টি, থাংজিং সেবা মন্দলগী কর্মিশিং

**২) ওন্থোক্লগদবশিং :** (ক) লৈশেম জগোয়গী মহুত্তা মালেম লৈতাইরোল (খ) পাখংদা - ইশাবীগী মহুত্তা শবল লৌবা (গ) লৈশাবীদা - ইশানৌগী মহুত্তা শৱা তোংবী (ঘ) য়েনশাংদা - শেংলৌগী মহুত্তা শংলৌ

**৩) হাপচিনগদবা :** ফিশারোল জগোয়।

*ঙানবা (মোহনচন্দ্র) কোঞ্জেংবম*
*মাইরেম্বম লৈকায়, মোইরাং*